# ২শুবা এমসিএ লুৱাংপোকপা টি –২০ ত্রোফি ২০১৮
# পিটিআরসি পাটসোই অমসুং অল–অমিন লিলোং মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২৯ঃ
লুৱাংশঙবমগী লুৱাং পোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চখরল্লিবা অনীশুবা এমসিএ টি–২০ লুৱাং পোকপা ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা পিটিআরসি পাটসোইনা ফোর্স খেক্ষিগাওবু রন ২৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা পাটসোই টিমনা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌবদা অপীবা ওভর ১৪ দা ৱিকেট ৯ তুদুনা রন ১০০ লৌবা ঙমখি।

পিটিআরসিগী বেটচমেন বিদাসনা আউত ওইদনা বোল ১৪দা রন ৩৩ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফঙবা ঙমখি।

অতোপ্পা বেটচমেন জোন্সননা বোল ২৬তা রন ২৩ লৌবা ঙমখি। অদুগা কেনজিৎনা বোল ৭তা রন ১৪ লৌখি।

অহানবা ইন্নিংসকী পাউখুমদা ফোর্সনা বেট্টিং তৌবদা অপীবা ওভর ১৪ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৭৬ লৌদুনা মায়থিখি।

ফোর্সকী বেটচমেন সদামনা বোল ২০ দা রন ৩০ লৌবা ঙমখি। অদুগা জালিনা বোল ৫দা রন ১০ লৌখি।

পাটসোইগী বোল্লর সন্তোসনা ৱিকেট ২ অমসুং বিদাসনা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা অল–অমিন লিলোংনা এসসিসিসি শিংজমৈবু রন ৬২ দা মায়থিবা পীখি।

অল–অমিননা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌবদা অপীবা ওভর ১৭তা ৱিকেট ২ তুরগা রন ১০০ লৌবা ঙমখি।

সমিরনা বোল ৪৩দা রন ৪৩ লৌখি। অদুগা মুজিবুরনা বোল ৩৭তা রন ৩৭ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা শিংজমৈগী বেটচমেননা বেট্টিং তৌবদা ওভর ১২.১ দা ৱিকেট লোইনা তুদুনা শুপ্নগী রন ৩৮ খক লৌদুনা মায়থিখিবনি।

মেটচ অসিদা অল–অমিনগী সামিরনা বোল ৪৩ দা রন ৪৩ লৌখিবগা লোয়ননা ৱিকেট ৫ লৌদুনা মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফঙবা ঙমখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মেটচ অহুম শান্নগনি। অহানবা মেটচতা টিসিএমদিসি থোংজু অমসুং এসএসয়ু শিংজমৈ অনীনা লম্বা তৌনগনি। অনীশুবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল অমসুং পিএসসি খুয়াথোং অনীনা থেংনগনি। অদুগা অহুমশুবা মেটচতা মোদেল ক্লব অমসুং ত্রাউ ক্বাকৈথেল অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# ৩শুবা রাম নারায়ন শাস্ত্রি ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮
# চক্রিতোম্বীনা মঙাশুবা রাউন্দ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাদুনা চৎলি



ইম্ফাল, জুন ২৯ঃ
মণিপুর চেছ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা জুবেনাইল ক্লব অমসুং খুরাইজম রাম নারায়ন শাস্ত্রি মেমোরিয়েল ত্রষ্ট অনীনা খুৎশম্নগা শীনবা অহুমশুবা খুরাইজম রাম নারায়ান শাস্ত্রি নিংশিং ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্টগী ঙসি মঙাশুবা রাউন্দ লোইশিনবা ফাওবদা এ চক্রিতোম্বীনা পোইন্ট ৫ ফঙদুনা মাংজিল থাদুনা চৎলি।

ঙসি তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা জুবেনাইল ক্লবকী শঙলেনদা শান্নখিবা মঙাশুবা রাউন্দগী টেবল নম্বর ১ দা শান্নখিবা মেটচতা এ চক্রিতোম্বীনা টি ঐচ গোবিন লুৱাংবু মায়থিবা পীদুনা টেবলগী তোপ স্পোটতা লৈবা ঙমখি।

অতোপ্পা শান্নরোই অনী ঐচ জেকি অমসুং ও নিংথেমনা পোইন্ট ৪.৫ ফঙদুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

ঙসি টেবল নম্বর ২ দা শান্নখিবদা জেকিনা এস প্রেমজিৎপু মায়থিবা পীখিবনি। অদুগা টেবল নম্বর ৩ নিংথেমনা টিঐচ সুনাচান্দপু মায়থিবা পীদুনা টেবলগী অনীশুবা মফম কনবা ঙমখিবনি।

অদুগা শান্নরোই অহুম কে ঐচ সঞ্জয়, ই সাসিকান্ত অমসুং ঐচ সোমোকান্তনা পোইন্ট ৪ ফঙদুনা টেবলগী অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

অতোপ্পা ঙসি মঙাশুবা রাউন্দ শান্নখিবদা শান্নরোই ৬ – এ বিনিট, এ ইন্দরজিৎ, এন রাজেশ্বর, এ সরত, এম থোরেন্দ্রা, ঐচ মানিতোন, এম পিশক অমসুং এম রানানা মায় পাক্কুনা পোইন্ট ৩ ।৩ ফঙবা ঙমখ্রে।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবদা মায় পাকখিবা শান্নরোইশিং অদুদি এন পারি, দয়ানন্দ, সি ঐচ জানেশ্বর, কে ঐচ পেত্রিক অমসুং এন কে মাসেন ঙাংবৌ নি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা অমসুং ৭শুবা রাউন্দ জুলাই ৮গী অয়ুক পুং ৭.৩০ অমসুং ১১.৩০ দা শান্নরগনি।

মখা তানা প্রাইজ য়েন্থোকপগী থৌরমসু নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ৪ দা পাঙথোক্লগনি।

# এআইএফএফ দি লাইসেন্স কোর্স ঙসি লোইশিনখ্রে




ইম্ফাল, জুন ২৯ঃ
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী লমজিং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীনদুনা থা অসিগী ২৪দগী চখরকপা এআইএফএফ দি লাইসেন্স কোর্স ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী কনফরেন্স হোলদা লোইশিনখ্রে।

পনবা য়াবদি কোর্স অসিদা মীওই ৩০ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবনি।

# ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট
# এফসি য়ুম্নাম খুনৌনা কেএফসি কোন্থৌজমবু ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২৮ঃ
ব্রাইটর ক্লব অৱাং পোৎশঙবম খুল্লেননা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চখরল্লিবা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ১১ মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এফসি য়ুম্নাম খুনৌনা কেএফসি কোন্থৌজমবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

য়ুম্নাম খুনৌগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু টি ঐচ রাবিচন্দ্র অমসুং পি কেননা শান্নবগী ২৮ অমসুং ৩৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

কেএফসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এল রাজ কুমারনা শান্নবগী ৪৭শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এলএসএ এফসি অচানবীগৈ অমসুং এমএসএফসি হৈঙাং গোল অমত্তা চান্নদনা দ্রো ওইখি।

টিম অনীনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা রেফরিনা শান্নরোই ৩ হৈঙাংগী শান্নরোই ২ থোই অমসুং হোলেনদ্রা শান্নবগী ৩১ অমসুং ৩৩ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

অদুগা অচানবীগৈগী রোহিৎনা শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখিবনি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মেটচ অনী শান্নগনি। অহানবা মেটচতা এসদিৱাইসি খোংহাম্পাৎ অমসুং ১৪ এফসি তেনদোংয়ান অনীনা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা অনীশুবা মেটচা কেৱাইদিসি কৈকোল অমসুং লিসবোন লুৱাং শঙবম অনীনা শান্নরগনি।

# অনীশুবা টি ২০ দা বংলাদেশ ৱুমেন টিমনা অয়রলেন্দ ৱুমেন টিমবু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীখ্রে




ইম্ফাল, জুন ২৯ঃ
অয়রলেন্দা বংলাদেস ৱুমেন টিমনা তুর তৌদুনা পাঙথেকপা টি–২০ গী অনীশুবা মেটচতা দব্লিনদা লৈবা দি ভিলেজদা বংলাদেস ৱুমেন টিম অমদি অয়রলেন্দ ৱুমেন টিম অনীনা শান্নখিবা মেটচতা বংলাদেশ ৱুমেন টিমনা অয়রলেন্দ ৱুমেন টিমবু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা অয়রলেন্দনা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং খনখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা অয়রলেন্দ ৱুমেন টিমনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১২৪ লৌবা ঙমখি।

অয়রলেন্দ ৱুমেন টিমগী রনশিং অদু শিলিংতননা বোল ১০ দা রন ২, সেসেলিয়া জয়সেনা বোল ৪৭তা সিক্স ১ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৬০, লেৱিসনা বোল ৫ দা সিক্স ১ অমদি য়ৈরগা রন ৫, দেলানি (কেপ্টেন) না বোল ২৮ দা ফোর ২ য়ৈরগা ২০, ইসোবেলনা বোল ৩ দা রন ৩, ইমিয়র রিচর্দসননা বোল ৩দা রন ০, কিম গার্থনা বোল ৩দা রন ১, সৌনানা বোল ১১ দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ১৫, মেরি ৱালদ্রোন (ৱিকেট কিপর) না বোল ৫ দা রন ২ অমদি লারা মারিটজনা বোল ৫ দা রন ৭ লৌখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা বংলাদেশকী বোল্লর জহানারা অলামনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ১৫, সালমা খতুন (কেপ্টেন) ওভর ৩ দা রন ১৭, খাদিজা তুল কুব্রানা ওভর ৩দা রন ২১, নহিদা অকতেরনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ১৮, মুমানা অহমদ না ওভর ৩ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২৩, ফহিমা খুতননা ওভর ৩ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২৬ পীখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা বংলাদেশনা ওভর ১৯.১ দা ৱিকেট ৬তুরগা রন ১২৫ লৌদুনা অয়রলেন্দবু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীখি।

বংলাদেশকী শান্নরোই শমিমা সুলতানা (ৱিকেট কিপর) না বোল ৪৯ দা ফোর ৯ য়ৈরগা রন ৫১ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বেটচমেন ওইখি।

# ২শুবা ওল মণিপুর ত্রেপ সুট্টিং কম্পিটিসন
# অজয় হুইদ্রোমনা মেন ইন্দিভিজ্যুএলগী অহানবা মনা ফঙখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২৯ঃ
কোইরেঙ্গৈদা লৈবা সেক্টর হেদ ক্বার্টর বিএসএফকী ফাইয়রিং রেঞ্জতা মণিপুর রাইফলস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চখরিবা অনীশুবা ওল মণিপুর ত্রেপ সুট্টিং কম্পিটিসনদা ইম্ফাল ৱেষ্ট রাইফলস এসোসিয়েসনগী অজয় হুইদ্রোমনা পোইন্ট ৩৫ ফঙদুনা ক্লে পিজন ত্রেপ সুট্টিং (এনআর) মেন ইন্দিভিজ্যুএলগী অহানবা মনা ফঙবা ঙমখ্রে।

অদুগা ইম্ফাল ইষ্ট রাইফল এসোসিয়েসনগী কে ঐচ রতনকুমারনা পুন্না পোইন্ট ৩৩ ফঙদুনা অনীশুবা মনা ফঙখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী অদর্স লাইরেনজমনা ইভেন্ট অসিগী অহুমশুবা মনা ফঙবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চপ মান্নবা ইভেন্টকী ভেটরান মেন ইন্দিভিজ্যুএলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কে সরতনা পোইন্ট ৭ ফঙদুনা অহানবা মনা ফঙখি। অদুগা ৱুমেন ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সলাম প্রেমিলা চনুনা অহানবা মনা ফঙবা ঙমখি।

## LEAGUE ROUND POINT TABLE
as on June 28, 2018

Group A

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Uruguay | 3 | 3 | 0 | 0 | 5 | 0 | 5 | 9 |
| Russia | 3 | 2 | 0 | 1 | 8 | 4 | 4 | 6 |
| Saudi Arabia | 3 | 1 | 0 | 2 | 2 | 7 | -5 | 3 |
| Egypt | 3 | 0 | 0 | 3 | 2 | 6 | -4 | 0 |

Group B

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Spain | 3 | 1 | 2 | 0 | 6 | 5 | 1 | 5 |
| Portugal | 3 | 1 | 2 | 0 | 5 | 4 | 1 | 5 |
| Iran | 3 | 1 | 1 | 1 | 2 | 2 | 0 | 4 |
| Morocco | 3 | 0 | 0 | 2 | 2 | 4 | -2 | 1 |

Group C

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| France | 3 | 2 | 1 | 0 | 3 | 1 | 2 | 7 |
| Denmark | 3 | 1 | 2 | 0 | 2 | 1 | 1 | 5 |
| Peru | 3 | 1 | 0 | 2 | 2 | 2 | 0 | 3 |
| Australia | 3 | 0 | 1 | 2 | 2 | 5 | -3 | 1 |

Group D

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Croatia | 3 | 3 | 0 | 0 | 7 | 1 | 6 | 9 |
| Argentina | 3 | 1 | 1 | 1 | 3 | 5 | -2 | 4 |
| Nigeria | 3 | 1 | 0 | 2 | 3 | 4 | -1 | 3 |
| Iceland | 3 | 0 | 1 | 2 | 2 | 5 | -3 | 1 |

Group E

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Brazil | 3 | 2 | 1 | 0 | 5 | 1 | 4 | 7 |
| Switzerland | 3 | 1 | 2 | 0 | 5 | 4 | 1 | 5 |
| Serbia | 3 | 1 | 0 | 2 | 2 | 4 | -2 | 3 |
| Costa Rica | 3 | 0 | 1 | 2 | 2 | 5 | -3 | 1 |

Group F

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Sweden | 3 | 2 | 0 | 1 | 5 | 2 | 3 | 6 |
| Mexico | 3 | 2 | 0 | 1 | 3 | 4 | -1 | 6 |
| South Korea | 3 | 1 | 0 | 2 | 3 | 3 | 0 | 3 |
| Germany | 3 | 1 | 0 | 2 | 2 | 4 | -2 | 3 |

Group G

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Belgium | 3 | 3 | 0 | 0 | 9 | 2 | 7 | 9 |
| England | 3 | 2 | 0 | 1 | 8 | 3 | 5 | 6 |
| Tunisia | 3 | 1 | 0 | 2 | 5 | 8 | -3 | 3 |
| Panama | 3 | 0 | 0 | 3 | 2 | 11 | -9 | 0 |

Group H

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Colombia | 3 | 2 | 0 | 1 | 5 | 2 | 3 | 6 |
| Japan | 3 | 1 | 1 | 1 | 4 | 4 | 0 | 4 |
| Senegal | 3 | 1 | 1 | 1 | 4 | 4 | 0 | 4 |
| Poland | 3 | 1 | 0 | 2 | 2 | 5 | -3 | 3 |

Pre-Quarter Final Match on 30 June 2018

| Country | vs | Country | Venue | Time(IST) |
|---|---|---|---|---|
| France | vs | Argentina | Kazan | 7:30 |
| Uruguay | vs | Portugal | Sochi | 11:30 |







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*